# কোচ অমা ওইনা ট্রেনিং পীজরিবঙৈদা এথলেটিক্সকী মিদল দিষ্টেন্স অমদি ৱার্কিং রেসকা ঐখোয়গা চানৈ হায়বসি উজরকখি



**কোন্থৌজম কোম্না মৈতৈ**
*(সাই, এন আই এস কোচ)*
*মাষ্টর ওফ স্পোর্টস*

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং**

*(ঙরাংগী মখা)*

মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা "মঙাশুবা নেসনল গেমস ১৯৯৯"গী মাংওইননা কুমজা ১৯৯৮গী ওগষ্ট থাদা ওজা কোম্না মৈতৈনা ফোঙদোকখিবা মচঙ ওইবা ৱাফমশিংদু ঙসি নৌহৌননা অমুক থমজরি। এথলেটিক্স কোচ অমা ওইনা মতমদুদা ওজা কোম্নানা শান্নরোয়শিং কন্না ট্রেনিং তৌরি। অয়ুক অমসুং নুংথিল ময়ুমদা অমুক্তা লৈখিদবনা গ্রাউন্দদা লৈরিবঙৈদা ইন্টরভিয়ু হেক হেক লৌজখি। মতমদুদা ওজা কোম্নানা অহানবা ওইনা অসুম্না হায়বীরকখি, কোচ অমা ওইনা ঐহাক অফবা শান্নরোয় খরদি পুথোকপা পাম্মী। কোচ অমা ওইরগা মমিংতগী লৈবদুসু ঐহাক্তী পামজদে। ঐহাক্না তমজরুরিবা ইহে, তাল্লুরিবা স্পোর্টসকী দিপ্লোমা, ময়ামসি এথলেট অমত্তদা তাকপা ঙমদ্রবা প্লেয়র অমত্তদসু গাইদ তৌবা ঙমদ্রগদি করি কান্নগনি। ঐদি ইশাগী শিনফমসি মশক খঙনা হিংবসু পামজে। ফজনা লমজিং লমতাক তৌবা ঙম্বা কোচ লৈরবদি হৈনিংবা, খঙনিংবা প্লেয়রসু শোইদনা মখোঙনা থোংনা লাক্কনি। মী খুদিংমকসি মাগী মাগী মথৌ মশক খঙনা চুম্না চুম্না তৌনরবদি ঐখোয়গী সোসাইটি অসিসু চাউখৎপগী থাক ফনা ৱাংলমগনি।

য়ুমদা চৎলুবদা, অমুক্তা থেংনবা ঙমখিদবগী মতাংদসু ওজা কোম্নানা মতমদুদা অসুম্না ফোঙদোকপীরকখি, মথং চহী কুমজা ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারি থাদা তৌগদৌরিবা "ফিফ নেসনল গেমস" অসিদা শোইদনা মেদল লৌহনগে খঞ্জবনিনা ঐহাক য়ুমদা লৈবা ঙমদে। সুপ্নগী থা তরুকখক্তমক ঙাইশিল্লক্লবনিনা শান্নরোয়শিং অসি কুপ্না শেন্নদবসু য়াদে। ঐহাক্তি, ঐনা





ট্রেনিং পীজরিবা প্লেয়রশিং অসিদা শুপ্নতংগী শান্নবখক তম্বীবা নত্তে। করিগীদমক কৈদৌবগী নখোয়না শান্নরিবনো হায়বসিদগী ক্লাস লৌবা হৌজে। ঐগী প্লেয়রদি, মশা মশাগী পান্দম অমা য়াওনা অশানবা মীৎয়েং অমা থল্লগা শান্নগদবনি হায়বসিসু লেসন অমা ওইনা তাকচৈ। শান্নরোয় অমদা, মশাবু হান্না মশক খঙহনবা হায়বসিসু তঙাইফদবা অমনি। অদুগা ঐনা ঐগী এথলেটশিংগা চেন-চোংদুনা শান্নমিন্নবা, অশোয়-অঙাম তাক্তুনা গাইদ তৌজবসিসু য়াম্না নুংঙাইজে। শান্নরোয় অমদা শুপ্নগী থিওরিখক্তং চিন্দা লাওবনা অফবা প্লেয়র ওইহল্লকপদি ৱাগনি। মওং তানা ফোর্ম চুম্না শেমগে খল্লবদি প্রেক্টিকেলসু ঐখোয় অঙাংশিংদুদা তাকপীবা তাবনি।

অদুগা করিগুম্বদনা মখোয়শিংসি ঐদি মরুপ-মপাংগুম্না ৱারী ৱাতাই তৌনজৈ। ঐনা খঙজবা মালেমগী ওইনা লৈরিবা মমিং চৎলবা এথলেটশিংগী মরিক চুম্বা ৱারী লিদুনা তাহল্লি। শান্ন-খোৎনবদা, এথলেট পুম্নমক্লা মশা মশাগী রুটিন ৱার্ক অমা ফজনা শেল্লগা মদুদা লৈজবী থাদুনা হোৎনগদবনি। শান্নবা হায়বসিদদি তৌশিন্নবা খক য়ারোই। শান্নরোয় হায়বসিদি অফোঙবা লানফম অমদা য়াল্লবা মীয়াম অমনা জজ ওইরগা লাম্থেংনগদৌরিবনি হায়বসি তত্তনা হায়জৈ।

হায়রিবা মতমসি, মণিপুরদা এথলেটিক্সকী মতিক চাবা গ্রাউন্দনচিংবা লৈবা মতম নত্রি। হৌজিক লৈরিবা খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়ম অসিসু কন্না লোইশিন্নবা হোৎনরিবা মতাংনি। কুমজা ১৯৯৮কী মতমসি তাকয়েল সাইগী কমপ্লেক্সতা ওইনা ট্রেনিং তৌরি। মতিক চাবা এথলেটিক্সকী গ্রাউন্দসু লৈতনা করম্না ওজানা ট্রেনিং পীবিরিবনো হায়জরুবদা মতমদুদা ওজা কোম্না মৈতৈনা নোক্লদুনা মীথোই মীহেনবগী ফিদা ফঙলবা মখোয়না করম হায়না হোৎনবগে হায়দুসু ৱারী শাজৈ। পুন্সিদা মায় পাক্কে তাল্লিবা, সনাগী মেদল লৌগে হায়না তেমশিংনরিবা অসুম্না পাউখুন্নীরকখি, ঐখোয়গী অঙাংশিংদদি গ্রাউন্দ লৈবা লৈতবা অদুদি করিসু নত্তেদা। ঐখোয়না শেমখিবা অঙাংশিংদি ইন্টনের্সনল এরেনা অদুম য়ৌবা ঙম্মী। কুমজা ১৯৯৪দা মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল অনী অদুম পুরকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল অনী পুরকপা ঙমখিবী এস লিম্থোইঙম্বী চনু অদু ৱর্ল্ড ষ্টেন্দর্দকী সিন্থেটিক ট্রেকতা প্রেক্টিস তৌখিবী এথলেট নত্তে। হৌজিক খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়ম শারিবা মফম অসিগা লাঙ্গোল চিঙশাং পরেং অসিগদা ট্রেনিং তৌরকখিবী শান্নরোয়নি। অসিদসু নত্তবা কুমজা ১৯৯৬তা ওষ্ট্রেলিয়াদা তৌখিবা 'তরুকশুবা এসিয়ন জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ'তা মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা সনাগী মেদল পুরকখিবা নোঙথোম্বম গোজেনসু অফবা ষ্টেন্দর্দ লৈবা খোঙউপ তোঙদুনা ৱর্ল্ড ক্লাসকী ফিল্ডদা প্রেক্টিস তৌখিবা এথলেট নত্তে। মহাকসু পাঙ্গৈ লম্বী, খুমন লম্পাকসিদা হোৎনখিবা ঙাক্তনি।

*... মথং মথং ...*

---

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০২

১) কুমজা ১৯৭০দা বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খরা পীরি। মসিগী মরক্তা শরুক য়াখিদবা অমগী মমিং পীয়ু। ইমোচা, বিধু, বসন্ত কবুই, লুঙ্গাইনি, কোঙাংবি।

২) হন্দক্তা বোলর অসি শীখি অমদি টেষ্ট অমদা ইনিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯গী জুলায়গী অরোইবা চয়োলদা লৈখিদবা মমিং চৎপা বোলর অতোপ্পা অদু কনানো? মহাক করিগীদমক মমিং চৎখিবনো? পাউখুম অনী পীয়ু?

৩) মহাক কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংখি। চহী ২০গী মতুংদা থৌরম অদুমক্তদা মহাক্না ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমসু ফংখি। মহাক্না শরুক য়াবা থৌরম অদু ওলিম্পিক্তগী লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) নাগাওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম অমনা শরুক য়ারুই। মদুদা চীংমী মপাল (৯) অমসুং তম্পাক্তগী অনী (২) য়াওখি। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী অদু কনা কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০১গী পাউখুম

১) মখাদা পীরিবশিং অসি উখ্রুলগী অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংনি। মখোয়গী মনুংদা তোঙানবা শান্নরোয় অমা য়াওরি, মহাকসু উখ্রুলদগীনি। মহাক কনানো? : অলেঙ সিমরে

২) অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াদা নেসনল কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখি। করম্বা ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স (Water Sports Complex)তা থৌরম অদু পাঙথোকখি।
: কোমলা খোঙ ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স

৩) তরুকশুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবদা অশিল-অরাং তৌখিবা লুপ অদুগী মমিং পীয়ু। : ALL MANIPUR SPORTS ASSOCIATION (AMSA)

৪) অমেরিকা মচা অমগা রসিয়া মচা অমগা লোঙজম্পদা ফুট ২৭ হেন্না চোংবা ঙম্মী, মখোয় অনীবু ফুট ২৬কা খরা খক হেন্না চোংখিবা নুপা অমনা ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবদুনা মায়থীবা পীখি। সনাগী মেদল লৌখিবা অদুগী মমিং পীয়ু। : LYNE DAVIS (GREAT BRITAIN)

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?? : AKHIL KUMAR

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১০১ গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১) | **রতন মুতুম, হৈঙাং মখা পুলিস ষ্টেসন মনাক** | (৫) |
| ২) | অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম সিংহ, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -১০১ গী ৱিন্নর**

**রতন মুতুম, হৈঙাং মখা পুলিস ষ্টেসন মনাক**

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১০১গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম সেপ্টেম্বর ১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

---

# শুটর সঞ্জিব রাজপুট রিও ৱর্ল্ড কপ্তা সিলভর ফংদুনা টোকিয়ো ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে



রিওদিজেনৈরো, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী)ঃ

ব্রাজিলগী কোনুং রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোক্লিবা ইন্টর্নেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসনগী ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী সঞ্জিব রাজপুটনা মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসনদা সিলভর মেদল ফংদুনা মথং চহীদা জপানদা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিয়ো ওলিম্পিক্স গেমসগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

কম্মনৱেলথ গেমস ২০১৮দা গোল্ড মেদল অমসুং এসিয়ন গেমসকী সিলভর মেদলিষ্ট সঞ্জিব রাজপুটনা পোইন্ট ৪৬২.০ ফংদুনা সিলভর মেদল ফংখি। রাজপুটনা ফাইনেল রাউন্দ অদুদা ক্রোসিয়াগী শুটর পিটর গোরসাদগী শুপ্নগী পোইন্ট ০.২ শোথরগা সিলভর গোল্ড ফংহৌদবনি।

সঞ্জিব রাজপুটনা টোকিয়ো ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী শুটর ৮ টোকিয়ো ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লি। অতোপ্পা শুটর ৭ অদুদি অঞ্জুম মোদগিল, অপুরভি চান্দেলা, শৌরব চৌধুরি, অভিসেক বর্ম্মা, দিভিয়ান্স সিংহ পনৱর, রাহি সর্নোবত অমসুং মনু বাকরনি।

রিও দি জেনৈরো শুটিং ৱর্ল্ড কপ অদুদা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা মাংজেননা ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী অভিসেক বর্ম্মনা পোইন্ট ২৪৪.২ কাপ্পুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তদা মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর শৌরব চৌধুরিনা পোইন্ট ২২১.৯ কাপ্লগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। পনবায়াবদি, হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা চৌধুরিনা চহী অসিগী ওইনা গোল্ড ৫ ফংখ্রবনি।

সিলভর মেদল অদুনা টর্কিগী শুটর ইসমেল কেলিসনা পোইন্ট ২৪৩.১ কাপ্লগা ফংখি। ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অসিনা রিও দি জেনৈরোগী আই এস এস এফকী ৪রক শুবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা গোল্ড মেদল ২ অমসুং সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ অমমম ফংলগা মেদল টেলিদা মকোক্তা লৈবা ঙল্লি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৈবাক অমনা শুটর ৮ ওলিম্পিক্সকী ক্বাটা থল্লিবা অদু ঙরাং রাজপুটকী কোটা অদুনা লোইশিনখি।

# নম্বর ১ সিদেদ জপানগী নাওমি ওসাকা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে, ৪শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমানা হালেপ অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে





ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ মেচশিংদা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা জপানগী নাওমি ওসাকা মায় পাক্তুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। অদুগা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ ২শুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

নাওমি ওসাকানা ঙসি ২শুবা রাউন্দ মেচ অদুদা পোলেন্দগী মেগদা লিনেটকা লম্বা তৌনবদা ৬-২, ৬-৪দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু ৬-২, ৪-৬, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বী য়ু এস এগী সি গোফকা লম্বা তৌনরগনি।

রোমানিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী সাইমোনা হালেপ য়ু এস এগী টেলর টাউনসেনগী মখুৎতা ৬-২, ৩-৬, ৬-৭ (৪-৭)দা মায়থীহৌখি। টাউনসেননা মহাক্কী ৩শুবা রাউন্দদা স্পেনগী এ বোলসোভাবু ৩-৬, ৬-৪, ৬-২দা থোইরম্বী রোমানিয়াগী সোরানা কর্ষ্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

দেনমার্ককী টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা সিদেদ ওইরিবী কেরোলিন ৱাজনিয়াকীনা য়ু এস এগী দেনিয়ল কোলিন্সপু ৪-৬, ৬-৩, ৬-৪দা অনীশুবা রাউন্দ মেচ মায় পাক্তুনা ৩ শুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী কে ফ্লিপ কেন্সপু ৬-৩, ৭-৫তা থোইরম্বী কনাদাগী দি এন্দ্রিস্কুগা লম্বা তৌনরগনি।

৮শুবা সিদেদ য়ুএসএগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা অতোপ্পা য়ু এসকী শান্নরোয় সি মেগনালিনিবু ২শুবা রাউন্দদা ৫-৭, ৬-৩, ৬-১দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী সিয়ৈ সিবু ৬-১, ৪-৬, ৭-৬ (৭-২)দা থোইরম্বী জেক রিপব্লিক্কী জে মুকোভাগা শান্নরগনি।

৬শুবা সিদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিতোভা জর্মনিগী এন্দ্রি পেটকোবিসকী মখুৎতা অনীশুবা রাউন্দ অদু ৪-৬, ৪-৬তা মায়থীহৌখি। পেটকোবিসনা ৩শুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় কেতারিনা প্লিসকোভাবু ৬-২, ৬-২দা থোইরম্বী বেলজিয়মগী ই মর্টেন্সকা থেংনরগনি।

৯শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা বেলারসকী এ সবালেনকানা কজাকস্তানগী ৱাই পুতিনসেবগী মখুৎতা ৩-৬, ৬-৭ (৩-৭)দা মায়থীদুনা ৩শুবা রাউন্দদা পুতিনসেবগা ইষ্টোনিয়াগী কে কানিকিবু ৭-৫, ৬-৩দা থোইরম্বী সর্ভিয়াগী দি ভেকিক্কা শান্নরগনি।

৭শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী কিকি বর্টেন্সনা রসিয়াগী অনা পাল্লিয়ু চেনকোভাবু ৭-৫, ৬-৪দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী এফ দি লোরেঞ্জোবু ৭-৫, ৬-০দা মায়থীবা পীরম্বী জর্মনিগী জুলিয়া জের্সিসকা লম্বা তৌনগদৌরি।

স্বিজর্লেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা ১৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা বেলিন্দা বেন্সিক্লা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটপু ৬-৪, ১-৬, ৬-২দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ তোমজানোবিসপু ৪-৬, ৭-৫, ৬-২দা থোইরম্বী রসিয়াগী অনা কোন্তাবিতকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৫শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেফনা বোলিভিয়া হুগো দেলিয়নবু ৬-৩, ৭-৫, ৫-৭, ৬-৩দা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জোইরেপনা য়ু এস এগী ফ্রান্সেস তিয়াফোবু ৬-৩, ৩-৬, ৬-২, ২-৬, ৬-৩দা থোইরগা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখি। নম্বর ২ সিদেদ রাফেল নদাল মহাক্কী থোরকখিদবদগী ২শুবা রাউন্দ ৱাকওভর ফংলগা ৩শুবা রাউন্দ চঙখি।

# ইন্দিয়াগী সসিকুমার মুকুন বাউতো চেলেঞ্জ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস অমসুং দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



বাউটো, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় সসিকুমার মুকুননা চাইনাগী সিটি বাউটোদা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল চেলেঞ্জস টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস অমসু দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা সিদেদ ওইনা শান্নরকপা ইন্দিয়াগী মুকুন্দনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী হেরি বোর্সিয়রবু ৪-৬, ৬-১, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী বাই য়োনবু ৬-২, ৭-৬ (৭-৪)দা থোইখিবা চাইনিজ টাইপৈগী ৱু তুংলিনগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা নম্বর ১ সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী জেমস দকৱার্থনা পোর্টুগালগী গোঞ্জালোগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট গেম ৫-০দা মাংজিল থাদুনা লৈরিঙৈ ওলিভেরা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা দকৱার্থ সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

দকৱার্থনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী পেদা ক্রিষ্টিনবু ৬-৩দা পোর্টুগালগী ফ্রেদেরিকো ফেরেরনা অহানবা সেট মায় পাক্তুনা লৈরিঙৈ অনীশুবা সেটতা ফেরেনো ৪-১দা মাংজিল থারগা ক্রিষ্টিন মখা তানা শান্নবা ঙমদবদগী ফেরৈরা সেমি ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সসিকুমার মুকুননা রসিয়াগী টাইমোর গভাসভেলিগা পেয়র ওইদুনা শান্নরকপদা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র সি ঐচ সেন অমসুং টাই আই ৱুবু ৩-৬, ৬-৩, ১০-৪দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এল সাভিল অমসুং পোর্টুগালগী গোঞ্জালো ওলিভিয়াগী পেয়রগা লম্বা তৌনরগনি।

# ফিভম ফগৎলবা নেপালগী টিম্বু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌননবা ইন্দিয়ানা শেম শারে: বিবিয়ানো

কলয়ানি, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২১দগী ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী কলয়ানি ষ্টেদিয়মদা শান্নরক্লিবা চহী ১৫ মখাগী সাইথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী ৬শুবা ইদিসনগী হয়েং শান্নগদবা ফাইনেলদা ফিভম ফগৎলবা নেপালগী টিম্বু মায়থীবা পীননবা ইন্দিয়াগী টিম্না শেম শাবা লোয়রে হায়না ইন্দিয়াগী কোচ বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখ্রে।

এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা লৈবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী চহীদা বংলাদেশনা পাকিস্তানবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

চহী অসিসু টিম অদুনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈরম্বনি। অদুবু টিম অসি নেপালগী মখুত্তা গ্রুপ ষ্টেজদা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীখিবা অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা লিগ মেচতা য়ুম্বু ইন্দিয়াগী মখুত্তা পাঞ্জল ০-৫দা মায়থীখিবা অদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

নীংশিংবা য়াই, হয়েং ফাইনেল শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়া অমসুং নেপাল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা থা অসিগী ২১দা শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৫-০দা থোইবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেচতগীনা লিগ ষ্টেজ লোয়বা ফাওবা মেচ অমত্তা মায়থীবা নংখিদে। অদুবু নেপাল ইন্দিয়াগী মখুত্তা মায়থীখিবা অদুনা নত্তনা অতোপ্পা মেচ ৩ মায়পাক্তুনা লাকখি।

ইন্দিয়ানা শান্নখিবা মেচ ৪দা পন্না পাঞ্জল ২১ চনবা ঙমখি। লোয়ননা মায়োক্নবা টিম্না মেচ ৪ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী টিম অসিগী মরু ওইবা শান্নরো অমা ওইরিবা হিমান্সু জানগ্রানা হেটট্রিক অনী ফংখিবগা লোয়ননা পুন্না পাঞ্জল ৬ চন্দুনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদগী পাঞ্জল মশিং হেন্দুনা লৈরি।

নাকল অমরোমদা নেপালগী টিম্না মেচ ৪দা পুন্না পাঞ্জল ১১ চন্দুনা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখিবনি। মখোয়না লিগ রাউন্দগী অরোইবা মেচ অনীদা য়াম্না ফজবা ঙমদুনা মমাংগী চেম্পিয়ন বংলাদেশপু পাঞ্জল ৪-১দা অদুগা ভুটানবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীরমদুনা মমাংদা মখোয়না ফজবা খর ৱাৎখিবা অদু য়াম্না ফজবা ঙল্লক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ইন্দিয়ানা অহানবা মেচতা নেপালবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইরবা মতুং অনীশুবা মেচতা ভুটানবু পাঞ্জল ৭-০দা থোইখি। অহুমশুবা মেচতা স্রি লানকাবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইরবা মতুং অরোইবা লিগ মেচতা বংলাদেশপু পাঞ্জল ৫-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

নেপালনা অহানবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী মখুত্তা মায়থীবা নংলবা মতুং স্রি লানকাবু মখোয়না ২-০দা থোইখি। মদুগী মতুং বংলাদেশপু পাঞ্জল ৪-১দা অদুগা অরোইবা লিগ মেচতা ভুটানবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরককি।

ইন্দিয়াগী কোচ বিবিয়ানোনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা উৎলিবা থৌনা অমসুং হোৎনবা লেপ্তুবগী ঈথিল অসিনা মহাক্না থবক তৌমিন্নবদা য়াম্না নুঙাইবা ফাওই। মখোয়না হৌখিবা মেচশিংগী রিজল্ট য়েংদুনা কোমথোকপগী ৱাফম লৈতে। মাঙদা লৈরিবা ফাইনেল মেচ অসি থোইদবা য়াদে হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈরি।

নেপালগী টিম কোচ ওইরিবা সুনিল স্রেষথানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা টুর্নামেন্টকী অহানবা মেচতা টিম অমা ওইবগী চপ চাবা চুংশিন্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখিদবা অদু হৌজিকতি শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা য়াম্না পাউ ফাওনবা ঙম্বা অমদি কলয়ানি ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অদুদা শান্নরকপদা য়াম্না এদাপ্ত তৌশিনবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরবনিনা ইন্দিয়াগী প্লেষ্টাইল অদুসু ঔরাইবা ঙম্বগা লোয়ননা হয়েংগী ফাইনেল মেচ অদুদা য়াম্না অকনবা লম্বা পীদুনা টাইটল লৌবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা শেম শারি হায়না ফোঙদোকখি।